# য়েন্দা লায়না কয়াগী লায়ওং ওইরিবা – খোঙ হাম্বা

ডা: সরাংথেম জেস্মারাণী

*য়েন্দা* লায়না অমা নৎত্রগা অমা হেক নারকপা মতমদা লায়ওং কয়া অমগী মরক্তা মখোঙ হাম্বসিসু অমনি। লায়নাশিং খরগী লায়ওংদা মখোঙ হাম্বা থেংনরিবসি রানিকেট দিজিজ, সলমোনিলোসিস, ফাউল কোলেরা, কোলিবেসিলোসিস, ইনফেক্টসস, বরাসল দিজিজ, কোক্সি দিওসিস অসিনচিংবসিনি। হায়রিবা লায়নাসিদগী য়াম্না তোয়না থেংনবা লায়না খরগী লায়ওং অমদি মসিদগী ঙাকথোক্নবা পাম্বৈ খরা মখাদা থমজরি।

**ক) রানিকেট দিজিজ**

হায়রিবা লায়নাসি ভাইরসনা থোকহনবা লায়না মখল অমনি। মসি নাবগী চহী মতাং লৈতে। লায়নাসিগী লায়ওংদি অনাবা য়েনশিংদা য়াম্না তুকথনা চাও-থকউ য়াদনা উংদুনা লৈবা, কুন্দুনা লৈবা, মমিৎ উঈশিনবা, মশা অনী নাকন্দা থাদদুনা কুনবা/লেপ্পা লোয়ননা শংবান্নবদগী হঙ্গামপাল হায়রপ চঙবা মথী অরাংবা ফাইরকপা, খরা লৈরগা মঙক অসি কোন্থবা/থেকতোকপা, চৎপদা তুরোই ঙাম্লোই খোঙফম অমা অনী থাংলগা পেরেলাইসিস তৌদুনা চৎপা ঙমদবা, তুরকপা কয়াসু উবা ফংগনি। য়েরুম কোকপী য়েনবীশিং য়েরুম কোকপা লেপ্লক্কনি। করিগুম্বদা মকু অপাবা মরুম কোল্লকপসু উগনি অদুবু অয়াম্বনা নারবা য়েনশিং নুমিৎ নীনিমুক নারম্লগা শিগল্লি। খরা মখা তানা নাবসু মথং মথং তপ্না শিরকপা থেংনগনি। অশিবা য়েনশিংদু খায়দোল্লগা য়েংবা মতমদা মথীৎকী মথক থংবা অথোৎপা শরুক্তা অমদি থীরিন্দা হেমোরেজ লৈবা উগনি। লায়না অসিবু নারগদি কনবা ঙম্বগী চাং য়াম্না নেম্মী। শিহনবগী চাংসি চাদা ৯০-১০০ ফাওবা য়ৌনা শিহল্লি।



হায়রিবা লায়নাসি নারগদি লায়েংনবা চপ চাবা হীদাক লৈতে। লায়নাসি থোরকপা হেক থেংনরগদি নারগা শিরল্লবা য়েনশিং মৈ থাদোক্তুনা/লুনা তৌরগা (মফম চাবা অমদা) ফুমজিনবীবা অসিনা মখা তানা লায়না শন্দে দারকপদা খরমখৈদি থিংবা ঙমগনি অদুবু খ্বাইদগী মরু ওইনা ঙাকথোক্ন বগী পাম্বৈদি নাদ্রিবৈঙেদা লায়নাসি টিকা থাদোকপীবা অসিনি। টিকা থাবগী মতমসি নুমিৎ তরেৎনি শুবদা অমা অদুগা নুমিৎ ২১ নি শুবদা অমুক্কা হনবীদুনা টিকাসি থাদোকপীগনি।

**খ) কোক্সি দিওসিস**

হায়রিবা লায়নাসি প্রোটোজোৱানা থোকহনবা লায়না মখল অমনি। মসি য়েন্না হাপ্তা ১২ মুক শুরবা ফাওবা নাগল্লি। লায়না অসিগী লায়েংদি য়েনশিংনা চানিং থক্লিংবা ফাওরক্তবা, য়েনগী মতুদু পোমথোকপা থেংনবীগনি। মনীং থংবা মতুদু চোৎলগা লৈবসু উগনি। য়েনগী মতোকসু কুচু তাইফেৎ তাইরক্কনি। মশা চোকথরকপগী মওং উরক্কনি। য়েনশিং পূন্না তাশিন্দুনা কাচিনলোমদা কুনবসু থেংনবীগনি। মঙ্গে মচুগী মখোঙ হাম্বসু থেংনবীগনি। মসিদা মতম চানা লায়েংবীহৌদ্রগদি ঈ ফাইরক্তুনা শিবগী চাংসু চাদা ৭০ দগী ১০০ ফাওবা ওইহল্লি। লায়না অসিনা য়েন্নাওদা



নারকপা ওইরগদি নাপু মচুগী অনঙবা অমাঙবা ফাইগল্লি। হৈনীংদবা মওং উৎতুনা চপ চপ লেপ্তুনা উংদুনা লৈবা উগনি অমদি য়েনগোন মনুংদা মহৌশাগা মান্নদবা মনম নমথীরক্কনি।

লায়না অসিনা নারগা শিরবা য়েনশিং পোষ্ট মোর্টেম তৌবা মতমদা থীরিন দু মচু ওল্লগা য়াম্না চাউথোকই অমদি অফম্বা ঈ য়াওবসু থেংনগনি। য়েন্দসু থীরিনসি অনী থোক্না খাইদোকই। থীরিন অচৌবা অমদি থীরিন মচা। হায়রিবা থীরিন মচাগী অরোইবদা তোঙান্না ময়া অনী নাকন নাকন্দা হেন্দে দাক্তুনা লৈবা থেংনবীগনি। মসিদসু অফম্বা ঈসি য়াওবা থেংনগনি। অনাবা য়েনগী থীরিন মচাদসু চাথৎপসু থেংনগনি।

লায়নাসিদগী ঙাকথোক্নবা য়েনবুশিংনা য়েঙ্গোলদু লূ-নান্না থম্বা মথৌ তাই। মকোন মনুংদা হাপ্লিবা ৱাই খুদিংমক চোৎহন্দনা থম্বীবা, য়েন মশীং কা হেন্না থম্বীদবা অমদি অচৌবা য়েনগা মচাগা পূন্না থম্বীরোইদবনি।

অনাবা য়েনসি য়েনবুনা ঙন্না খঙন্দোক্তুনা লায়েংহৌরগদি শিবগী চাংসি য়াম্না হন্থে। লায়নাসি অহানবদা মঙ্গে মচুগী ঈ ফাইরকপা হৌরকপদা মনাক নকপদা লৈবা ডাক্তর অমগা তানবীরগা ঙন্না হীদাক থাদোকহৌরবদি কনবা ঙমগনি। অদুবু হীদাক থারগদি হান্না লুম্লম্বদগী হন্থরকই। মসিনা ব্রোইলর য়েন্দদি অমাংবা অমা ওইরকই। মরম অসিনা য়েনগী লুম্বগী চাংসি হন্থহন্দনা লায়েংবীগে হায়রগদি গজর শীজিন্নরগা লায়েংবীবা য়াই। য়েন ২০০ দা নুংতিগী নুমিৎ মঙানি লেপ্তুনা গজর পৱা অমগী শীংশিৎতা শীৎপিরগা চিনি কপ তঙ্খায় অমগা তোৎশিন্নবীরগা ঈশিং থল্লবা পাত্রদা হাপ্পীদুনা পীথল্লগদি য়াম্না থুনা হন্থহল্লি। মসি নুংতিগী গজর পৱাসি শীজিন্নবীগনি। করিগুম্বদা লায়নাসি হেনজিনখিদুনা ঙাংশং ঙাংনা ফাইখ্রগদি মনাক নকপা ভেটিরিনরি ডাক্তরগা তানবীদুনা হীদাক ওইনা থাদোকপীগনি।

**গ) ফাউল কোলেরাঃ**

হায়রিবা লায়নাসি বেক্টেরিয়ানা থোকহনবনি। লায়নাসি নারগদি লায়ওং অমত্তা উত্তনা থুনা নৎত্রগা খঙহৌদনা শিগল্লি। লায়নাসিগী মহীকসি য়েনগী মচিঞ্জাক অমদি ঈশিংদগী শন্দোরকই। লায়নাসিগী লায়ওংদি অহানবদা য়েনগী অমাংবদু অঙৌবা মচুদা লাংনা ফাইরকই। মসিগী মতুংদা অশংবা মচুনা মতুং ইল্লক্তুনা ফাইরকই। করিগুম্বা মতমদা নপত্রোং মানবসু য়াওরকই। মসিদসু নত্তনা শ্বর হোনবা মতমদা ৱানা হোনবা, হকথি খনবা, লোক খুবা, শ্বর থবেৎ থবেৎ হোনবা, য়েনগী মতোকসু হিগোগ মচু ওইগল্লি। মসিদসু নত্তনা লুম্বগী চাংসু হন্থহল্লি।

হায়রিবা লায়নাসি নারবা য়েনবু পোষ্ট মোর্টেম তৌদুনা য়েংবদা কলেজা




চাওথোকই অমসুং মনুংদা অঙৌবা মচেৎ মচেৎ য়াওরকই। য়েনগী হার্ট, থবোম্বী, থীরিন, মকনগী মথক থংবা শরুক্তা হোমারেজ থোকই। লায়নাসিদগী ঙাকথোক্নবা মকোলদু লু নান্না থম্বীগনি। মনাক নকপদা লৈবা ভেটিরিনরি ডাক্তরগা তানবিদুনা হীদাক থাদোকপীগনি।

**ঘ) কোলিবেসিলোসিস ঃ**

হায়রিবা লায়নাসিসু বেক্টেরিয়ানা থোকহনবা লায়না মখল অমনি। লায়নাসি য়েনাও হেক ওনবদগী হাপ্তা নিপাল ফাওবগী মনুংদা য়াম্না



তোয়না মায়োক্লে। লায়নাসি নারবা য়েন্নাওদু মশা তুরোই ঙাম্লোইনৈ। মবুক চাউথোকই। মশাগী অরুম্বা হন্থরকই। হঙ্গামপাল মচুগী মথী ফাইরকই।

লায়না অসিনা নারবা য়েনদু পোষ্ট মোর্টেম তৌদুনা য়েংবদা থীরিন্দা হোমারেজ লৈবা, হার্টঅমদি থবোম্বীদা অঙৌবা মচেৎ মচেৎ পকপা থেংনগনি।

**ঙ) সলমোনিলোসিস ঃ**

হায়রিবা লায়না মখলসি ভাইরসনা থোকহল্লি। মসি য়েনাওনা হাপ্তা অনীদগী তরুক ফাওবগী মনুংদা লৈবনা হেন্না মায়োক্লগল্লি। লায়নাসিগী লায়েংদি য়েনগী মশাদু তুরোই ঙাম্লোইনৈ। শিবগী চাংসু য়াম্না ৱাংই। য়েনশিংদু য়াম্না তনবগী মওংদা মচি মচিদা উংদুনা চাউ থকউ য়াদনা পুল্লপ পুল্লপ তাশিন্দুনা লৈবা উগনি। লাউ খোংদুনা তাল্লবসু খোঙফম খরা থাংদোক্লম্লগা অমুক হান্নগুম উংদুনা লৈবা উগনি। ঙৌরুনবদগী হঙ্গাম মপাল হাইরপ চঙবা অরাংবা মথী তোয়না তোয়না ফাইরকপা অমদি মনীংগী মতুশিংদা মথী তৈদুনা লৈবা উগনি। খরা লৈরগা চাদা থক্তবদগী য়েনশিংদু তুদুনা শিরক্কনি।

অশিবা য়েনশিংদু খাইদোক্তুনা য়েংবা মতমদা ইহান হান্না মতু অমদি উনশা হাইদোকপা মতমদা মথবাক অমদি মফৈগী শাদোংশিংদা ঙাংশং



ঙাংনা মনুংদা ঈ থোকপা উগনি অদুবু য়াম্না মরু ওইরিবদি থীবোং থিরিনগী অরোইবা শরুক্তা মথক্তা নপ্তুনা য়াওবা কয়াৎ বরসা অসি মহৌশানা চাউবা চাংদগী শরুক ২/৩ রোম চাওনা অমদি করিগুম্বা মতমদা ঈ খরা থোকপগা লোয়ননা লৈরম্বা থেংনগনি।

লায়না অসি ভাইরসনা থোকহনবা লায়না অমা ওইবনা চপ চাবা হীদাক থোইনা লৈতে অদুবু লায়নাসি অতৈগী মহীকশিং চঙলকপা অমদি মাঙহন্নবা এন্টিবাইওটিক্স পীবিবা দরকার য়াম্না ওই। লোয়ননা মথী ফাইবদগী কনখৎহননবা দেক্সত্রোস নৎত্রগা ইলেক্ট্রোলাইট মহী পীথকপা য়াম্না কান্নগনি। লায়নাসিদগী ঙাকথোক্নবা অমত্তা ঙাইরবা উপায়দি মতম চানা টিকা থাদোকপা হায়বসিনি। লায়নাসি নারক্তনবা য়েনগোন লু-নান্না থম্বীবা দরকার লৈ অমদি মতম চানা মনাক নকপদা লৈবা ভেটিরিনরি ডাক্তরশিংগা তানদুনা চেকশিন থৌরাং কয়া লৌবীগনি।

য়েনবুশিংনা য়েন লৈবা মতমদা লায়না চেন্দবা য়েনবীশিংদগী লৈরগা লোইবীগনি। মসিদসু নত্তনা মতম মতমগী ওইনা টিকা থাদোকপীগনি অমদি য়েঙ্গোন লু নান্না থম্বীদুনা লায়েংবীগদবনি। মসিদসু নত্তনা অনাবা য়েনশিং তোঙান্না থম্বীদুনা লায়েংবীগনি। য়েঙ্গোন্দা য়েনশিং য়াম্না চিন্না থম্বীরোইদবনি। মসিদসু নত্তনা অতোপ্পা মীগী য়েঙ্গোন মনুংদা চঙহনবীরোইদবনি। অসুম্না চেকশিন থৌরাং কয়া লৌবীদুনা হেন্না শেন্দোং লৈনবা হোৎনমিন্নসি।

# চীংগী লমদা ঙা য়োকপা অমসুং মসিগী কান্নবা

ডা: য়ুম্নাম বেদজিৎ সিংহ







*ঐখোয়গী* ইরমদম মণিপুরগী পাক চাউবগী চাউরাক্না মরিফুতরাদি চীংগী লমনি। হায়রিবা চীংগী লমশিং অসিদা ঙাগী পোথোক মরাং কায়না পুথোকপা অমদি পুথোক্নবা হোৎনবা হায়বসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না মরুওইবা ৱাফম অমা ওইরক্লি। মরমদি চীংগী লমশিং অসিদগী ঙা পুথোরক্লবদি মণিপুর মীয়ামগী কোন্ননবা ঙা পুথোকপদা নত্তনা মপান লমদা থাদোকখিবা য়াবগী খুদোংচাবসু লৈরি।

কনাগুম্বা মীওই খরদি চীংদবু ঙা করম্না য়োক্কনি খনবদা অঙকপা ফাওবিরম্বসু য়াই। অদুবু মফম মতমগী মতুং ইন্না খরা খজিক ওন্থোক-ওনশিন তৌদুনা ইরায় লায়না য়াম্না চাউনা মায় পাক্না ঙা য়োকপগী থবক পাঙথোকপা য়াই। চুম্নগী ঙা য়োকপদা নত্তনা ঙা মচা পুথোকপনচিংবসু চীংগী মফমশিংদা পাঙথোক্নরি।

অয়াম্বা চীংগী মফমশিং অসিদা ঈশিং তাঙবগী অৱাবা লৈবগা লোয়ননা অৱাংবা মফম ওইবনা ঈংবগী খুদোংচাদবা কয়াসু ঙা য়োকপা মতমদা মায়োক্নরি। হৌজিক য়োক্নরিবা ঙা অয়াম্বনা অইংবা মফমদা হৈনেগনদে অমসুং মচিঞ্জাক চাবগী চাং হন্থবনা চাউনা থিন্থহল্লি। মরম অসিননি নিংথম থাগী মতমদা ঙাশিংনা চাউদ্রিবা । মসিদসু নত্তনা প্লাঙতন হায়বা মহৌশানা পীবা ঙাগী খ্বাইদগী ফরবা মচিঞ্জাক হায়বদি ঈশিংদা লৈবা অপীকপা জীবশিং অসিসু অঙ্গৈংবা মফমদা নিংথিনা লৈবা ঙমদে। মরম অসিদগী চীংগী লমদা ঙা য়োকপা মতমদা ষষ্থি ষণয়ুংগী হার অমদি অহেনবা মচিঞ্জাকনচিংবা চাং নাইনা হাপ্পীগনি।

মথক্তা পনখ্রিবা মরমশিং অসি লৈবনা চীংগী লমদা য়োক্কদবা ঙা মখলশিং অসি মশা খরা হেন্না কনবা, অঙ্গৈংবা মফমদসু হৈনবা, চিলহাও থিদবা অমদি চাউগনবা মখলগী ঙা মখলশিং ওইনা খনবীগদবনি।

হৌজিক ময়াম্না য়োক্নরিবা ঙাশিং অসিগী মরক্তগী হায়বা তারবদি পুকলাওবী, নাপী চাবী অমদি শিলভর কার্প অসিনচিংবনি। মতাং অসিদা হেন্না পূক্লিং চিংশিন্নীংঙাই ওইবা ৱাফম অমা হায়রগদি তম্পাক্কী মফমশিংদা উবা ফংদবা মওং অমা চীংগী মফমদা হেক হেক উবা ফংই হায়বদি চীংনা শারৈ অমগুম্না ঈকোয় কোয়না কোয়শিনবা অদুগা ময়ায়দনা হেন্না কুৎথদুনা লৈবা মফম খরা চীংগী লমশিংদা লৈরি। হায়রিবা মফমশিং অসিদদি শাবগী চাং য়াম্না হেনবা মরম্না তম্পাক্কী মফমশিংদা তৌবগুম অয়াম্বা ঙাশিং য়োকপদা হেন্না খুদোং চাহল্লি অমদি চাউবগী চাংসু হেল্লি।

চীংগী লমদা ঙা মচা পুথোকপগী থবক অসি কয়া পাঙথোক্নদবা মরম্না চীংগী লৌবুক্তা নৎত্রগা চীংগী নাপোমদা লৈবা পুখ্রিশিংদা য়োক্লনবগীদমক ঙা মচাশিং অরাপ্পা মফমদগী লৈনৈ। মরম অদুনা পুথোক পুশিন তৌবগী পৈশা য়াম্না চঙবদা নত্তনা খুদোংচাদবা কয়া অমসু মায়োক্নরি। মরম অদুনা ইশা ইশাগী ঙা মচা পুথোক্তুনা, ঙা য়োকপগী থবক হেন্না মায় পাকহনবগী মথৌ তাই। মহৌশানা চহী চুপ্পা অফবা ঈশিং ফংবা মফম কয়া চীংগী লমশিংদা লৈ। অসিগুম্বা মফমশিং অসিদা ঙাগী পুখ্রি মচা মচাশিং শেমদুনা মায়পাক্না ঙা মচা পুথোকপগী থবক পায়খৎপা য়াই।

ঙা, ষণ, ওক, য়েন, ঙানু, মনা-মশীং অমদি অতোপ্পা পোৎশকশিং পূন্না মতম অমত্তদা মফম অমত্তদা পাঙথোকমিন্নবা অদুবু ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং কৌই। হায়রিবা থৌওং অসি চীংগী লমশিংদা য়াম্না কান্নবা য়াবা থৌওং অমনি। চীংগী লমশিং অয়াম্বা ইমুংদা ষণ, ইরোই, ওকনচিংবা কয়া য়োকপগী চৎনবী লৈ। মরম অসিনা মখোয়শিং অদুবু পুল্লপ পুনশিন্দুনা অমনা অমগী কান্নবা ফংমিন্নদুনা চাথোক হেন্না পুথোকপা য়াই। মতাং অসিদা কম্যুনিতি ফার্মিংগী কান্নবা ফংমিন্নবসু য়াই। লৈকায় নৎত্রগা খুঙ্গং অমদা লৈমিন্নরিবা লৌমীশিংনা তোঙান তোঙানবা শিনফম পায়জরবসু অমগা অমগা মরী লৈনদুনা অমনা অমগী মতেং পাঙনদুনা হেন্না চাথোক পুথোকপা অমদি ইৱা ৱাদনা অমসুং পৈশা কা হেন্না চঙহন্দনা চাথোক হেন্না পুথোকপা ঙমগনি। অসুম্না তৌদুনা খরা অমনা শা-ষণ, ওক্ন চিংবা লোইবা, খরা অমনা মনা মশিং, মহৈ মরোং থাবা অদুগা খরা অমনা ঙা য়োকপগী ।নিফম পায়বা য়াই।

চীংগী লমশিংদা ফৌ মরক্তা ঙা খরা খরদা ওইরবসু য়োকপা হায়বসি ঙল্লিঙে মতমদগী ঙসি ফাওবা চৎনদুনা লাক্লি। অসুম তৌদুনা লৌ উবিরিবা মীপুম খুদিংমক্ক । লৌ উবা মতমদা লৌবুক্তা ঙা মচা খরা থাদবিদুনা ইশাগী ইমুংখক্তগী ওইরবসু য়াবা ঙা কিলো খরদি ফৌ লোকপা মতমদা ফংনবা হোৎনবীরবদি লৈবাক্কী ওইনা ঙা পুথোকপা অমদি শেল থুমগী ফীভম ফগৎহনবদা অচৌবা মতেং ওইগনি। লৌবুক্তা ঙা য়োকপা মতমদা ফৌগী চাথোক হেনগৎহনবা ঙম্মী। লৌবুক্তা লৈবা তীল-কাং অমদি নাপী চাথোকখিদুনা ফৌ পাম্বীদা কান্নবা কয়া পীবদা নত্তনা ঙাগী মথিনসু লৈহাও লৈহল্লি।

চীংগী লমদা মহৌশাদগী লৈরল্লবা ঙা মখলশিং য়োক্তুনা য়াম্না কান্নবা ঙাশিং মুৎখিগদবদগী কনবতা নত্তনা ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবা ঙমগনি। মসিদসু নত্তনা লৈতেং ওইনা শীজিন্নবা য়াবা ঙা কয়া য়োকপগী থৌওংশিং পায়খৎপসু য়াই।

চীংগী লমদা ঙা য়োক্তুনা লৈবাক্কী ওইবা ঙাগী পোৎথোক হেনগৎহনবতা নত্তনা শেল থুমগী ফীভমসু ফগৎহন্নবা হোৎনমিন্নরসি।